# ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসকী ৰুশুদা য়ুম্নাম সনাথোইনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি



কুমজা ২০১৪ গী ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা ফংখিবা মেদল অসি সনাগী ১১, লুপাগী ১০, শেঞ্জেংগী ৩৬ পূন্না মেদল ৫৭ নি। অদুগা লৈখিবা রেঙ্কনা নিপানশুবনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসকী তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা হায়বদি এথলেটিক্স, কবাদ্দি, স্কৱাশ, শুটিং, টেন্নিস, রেষ্টলিং, আর্চরি, বোক্সিং, হোক্কী, রোৱিং, বেদমিন্টন, সেলিং অমসুং স্বিমিংদা মরুওইনা মেদল লৌবা ঙম্লকখি। অমরোমদা, এসিয়ন গেমস হায়বসি এসিয়া লৈবাকশিংগী ওইনদি খ্বাইদগী চাওবা মরুওইবা গেমস অমনি। হায়রিবা গেমস অসিদা মায় পাক্লকপা হায়বসি শান্নরোয় অমগীদি অচৌবা মফম অমা ফংলকপগা ইরোয়ননা ওলিম্পিক্কীদমক অচৌবা মঙলান অমা শাগৎপা য়ারবা মতাং অমনি। মরম অদুনা, এসিয়ন গেমসতা সনাগী, লুপাগী, শেঞ্জেংগী মেদল পুরগা লাকপা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং, হরাও তয়াম্না ওকপীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা হায়বসি মহৌশাদগী চৎনদুনা লাক্লি। ষ্টেটসিগী ওইনসু এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াদুনা মেদল পুরকখিবা শান্নরোয় অয়াম্বা ওলিম্পিক এরিনা য়ৌবা ঙম্বগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী লেমজনিংঙাই ওইরবা অর্জুন এৱার্দকী মনাসু ইতৎ তত্তনা লৌবা ঙল্লি।

নৌহৌননা খরদং পল্লবদা, ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা ২০১৪ দা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা লৌখিবা মেদলশিং অসি এথলেটিক্সতা গোল্ড অনী, সিলভর মরি, ব্রোঞ্জ অমা পূন্না ১৩ নি। কবাদ্দিদা গোল্ড অনী, স্কৱাশতা গোল্ড অমা, সিলভর অনী, ব্রোঞ্জ অমা পূন্না মরিনি। শুটিংদনা গোল্ড অমা, সিলভর অমা, ব্রোঞ্জ তরেৎ পূন্না মাপলনি। টেন্নিসতনা গোল্ড অমা, সিলভর অমা, ব্রোঞ্জ অহুম পূন্না মঙানি। আর্চরিদনা গোল্ড অমা, সিলভর অমা, ব্রোঞ্জ অনী পূন্না মরিনি। বোক্সিংদনা গোল্ড অমা, ব্রোঞ্জ মরি পূন্না মঙানি। হোক্কীদনা গোল্ড অমা, ব্রোঞ্জ অমনি। রোৱিংদনা ব্রোঞ্জ অহুমনি। বেদমিন্টনদনা ব্রোঞ্জ অমনি। সেলিংদসু ব্রোঞ্জ অমনি। স্বিমিংদসু ব্রোঞ্জ অমা ফংলকখি। অদুগা ৰুশুদনা ব্রোঞ্জ অনী লৌবা ঙম্লখি। ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা খ্বাইদগী মেদল হেন্না পুরকখিবা মশান্নদি শুটিংনি। গেমস অদুদগী ফংলকখিবা মেদলসি পূন্না মাপলনি। অদুগা ৰুশুদা ব্রোঞ্জ মেদল অনী লৌরকখিবসি অমনা মেন্সকী সান্দা (কিলোগ্রাম ৬০) দা নরেন্দর গেৱালনি। ৰুমেন্স সান্দাগী কিলোগ্রাম ৫২ দা ব্রোঞ্জ লৌরকখিবী অসিনা মণিপুরী মচা য়ুম্নাম সনাথোই দেবীনি। নীংশিংবা য়াবদি, মণিপুর মচাশিংনা এসিয়ন গেমসতগী ৰুশু মশান্নদা মেদল ফংলকখিবসি পূন্না শান্নরোয় অহুম শুরে। ময়াংলম্বম বিমোলজিৎ, দল্লিয়ু সন্ধ্যারানি অমদি

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### হঙ্গৎনা য়েংলুবদা এসিয়ন গেমস

য়ুম্নাম সনাথোইনা ঙসি ফাওবা এসিয়ন গেমসকী মেদল তত্তনা পুদুনা লাক্লি। লোয়ননা য়ুম্নাম সনাথোইগী মতাংদা খরদং পল্লম্বা য়াবদি, য়ুম্নাম সনাথোই কুমজা ১৯৮৮ গী ফেব্রুৱারি ১ দা য়াইরিপোক তোপ চীংথাদা লৈবা য়ুম্নাম শামু অমদি য়ুম্নাম ওংবী মেম্মগী মঙাশুবা মচা ওইনা তাইবংদা খোঙদারকখি। পিশক পিক্লিঙৈদগী হৌনা সনাথোই শান্ন-খোৎনবা পামজনা হৌরকখি। মরুওইনা সনাথোইনা স্পোর্টসতা থৱায় য়াওনা শান্নবা হৌরকখিবা অসিদি অজাদ হায় স্কুলদা তম্বা মতমদগীনি। স্কুলগী স্পোর্টস মীটতা পাঙথোকপা, আইটেম কয়াদা য়াওদুনা শরুক য়ারকখি। মশান্না অয়াম্বদা শরুক য়াদুনা অমসু অমসু পংশান্দা শান্নরকখি। করম্বা মশান্নগা মহাক্কা চান্নগদগে হায়বা অহানবদদি থোইনা খঙলকখিদে। মমৈদা লৈকাই মচা মাইবম সুরবলাগী মতুং ইন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। কিক বোক্সিংদা থোইদোক্না মমিং লৈবী (বেষ্ট ফাইটরগী মীংথোল কয়ারক ফংখ্রবী) সুরবলানা, সনাথোইবু লমজিং লমতাক তৌদুনা ৰুশু শান্নবা হৌহল্লকখি। মশান্না অসিগীদমক, য়াইরিপোক বিষ্ণু-নহাদা লৈবা মোইরাংথেম ইবোমচা (ৰুশুগী ইন্টর্নেসনল শান্নরোয় ওইরম্বতা নত্তনা ৰুশুগী কোচ অমসু ওইরিবা) গী মনাক্তা ট্রেনিং তৌহল্লকখি।

মশাগী চহী ১৫/১৬ হায়রকপা, কুমজা ২০০৪ দগী ৰুশু খক্তদা পৃক্লিং ৱাখল থাদদুনা সনাথোই থৱায় য়াওনা এম ইবোমচাগী মখাদা শান্নরকখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লীংখৎপা 'এমেচর ইনষ্টিট্যুট ওফ ৰুশু' অসিদা কোচ ওইনা লৈরিবা লোইতাম রাজেন অমদি এম ইবোমচা (ৰুশু কোচ) অনীগী মখাদা চাং নাইনা ট্রেনিং তৌরকপদগী য়ুম্নাম সনাথোই য়াম্না থুনা মশান্না অসিদা ইম্প্রুভ তৌবা ঙম্লকখি। থৱায় য়াওনা হোৎনরকপা শান্নরোয় অমা ওইনা মথং মথং মায় পাকপসু ঙম্লকখি।

কুমজা ২০০৪ দা হিমাচল প্রদেশতা পাঙথোকখিবা "ফর্ষ্ট ওল ইন্দিয়া ইনভিটেসন ৰুশু চেম্পিন্সিপ" তা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নবা হৌরকখি। মদুদা সনাথোই সিলভর মেদল পুরকপা ঙমখি। ২০০৫ দা পঞ্জাবতা তৌখিবা মঙাশুবা জুনিয়র নেসনল অমদি ২০০৬ তা মধ্য প্রদেশতা পাঙথোকখিবা জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়ন্সিপকী সানশৌ মশান্নদা সনাথোই সনাগী মেদল মথংশিংনা লৌবা ঙম্লকখি। অতেনবা মতম খরগী মনুংদা, সানশৌদা মমিং লৈবী শান্নরোয় ওইরকখি।

কুমজা ২০০৫ দগী সনাথোই ইন্টর্নেসনল থাক য়ৌনা শান্নবা ঙম্বদা নত্তনা সিলভর মেদল পুরকপসু ঙম্লকখি। ২০০৫ দা পাঙথোকখিবা "অহুমশুবা এসিয়ন জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ" তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবদা য়ুম্নাম সনাথোই সিলভর মেদল পুদুনা লাকখি।

*মথং মথং ...*

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৫


১। ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মায়োক্নবা টিমগী শান্নরোয়না কাওথৎতুনা মখোঙ তেকখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

২। টিম অসিনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল তরেৎলকশুবা ওইনা ফাইনেল ষ্টেজদা শরুক য়াবা মতমদা স্কুল ওজা অমবু টিম কোচ ওইহনবগী লমদম অদুগী মীওই খরনা য়ানীংখিদে অমদি টিম অদু মথং রাউন্দ চঙবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং পীয়ু।

৩। হিমা দাসকী মমাঙদা মমিং চৎখিবা অসামগী এথলেট অমগী মমিং পীয়ু।

৪। মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্লবদি কিলোমিটর ১৭৫ মখোঙনা চৎকনি হায়না ৱাশকখি। মহাক লমজেল অদুদা মকোক ওইখি। মহাক্কী ৱাশক অদু ঙাক্তুনা মখোঙনা কিলোমিটর ১৭৫ চৎলগা ফাটিমাগী লাইশঙদা চঙদুনা ভিরজিন মেরিবু খুরুমজখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## রাকেশ পত্র টর্কিদা জিম্নাষ্টিক ট্রেনিং তৌগদৌরি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৭ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী নুপাগী জিম্নাষ্টশিংগী মনুংদা মচিন তুমখৎলক্লিবা রাকেশ পত্রনা ওগষ্ট ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসকী শেম-শাবা ওইনা নুমিৎ ১৫ নিগী ট্রেনিং কেম্প অমা টর্কিদা তৌগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, মশাগী চহী ২৬ শুরবা ওরিষা ষ্টেটতগী হৌরকপা রাকেশ পত্রনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা টর্কিদা পাঙথোকখিবা এফ আই জি ৱর্ল্ড চেলেঞ্জ কপতা রিং ইভেন্টকী কম্পিটিসনদা ৪শুবা পোজিসন তাখি।

মদুদা নত্তনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি মেলবোর্নদা পাঙথোকপা জিম্নাষ্টিক ৱর্ল্ড কপতা রিং ইভেন্টতা মহাক শুপ্পগী পোইন্ট খরা ৱাৎহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমহৌদবনি। টর্কি ৱর্ল্ড কপ অদুদা মহাক্না রিং ইভেন্টকী ফাইনেলসতা পোইন্ট ১৩.৬৫০ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন তাহৌবনি। মহাক্কী মশাগী রেকোর্দতা পোইন্ট ১৪.৩৫ ফংলি, এসিয়ন গেমসত মেদল ফংনবা হোৎনগদৌরিবনি।

## জেভলিন এথলেট নিরজ চোপ্রা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অমতা ওইনা দাইমণ্ড লীগ ফাইনেলসকী ক্বালিফাই ওইখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৭ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী এথলেটিক্কী পুৱারীদা জেভলিন থ্রোগী দিসিপ্লিনদা মালেমগী ওইবা রেকোর্দ কয়া থম্বা ঙমখ্রবা নিরজ চোপ্রা ওগষ্ট ৩০ দগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর্নেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) গী দাইমণ্ড লীগ কম্পিটিসনদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, নহা ওইরিবা নিরজ চোপ্রা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা জেভলিন থ্রোগী ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। জেভলিন থ্রো মশান্না অসিগী জুনিয়রগী থাক্তা ইন্দিয়াগী এথলেট নিরজ চোপ্রানা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবনি।

নিরজ চোপ্রা মহাক্কী করিয়রদা তোঙান-তোঙানবা দাইমণ্ড লীগ এথলেটিক্স কম্পিটিসন অহুম শরুক য়ারুবদা পোইন্ট ১২ ফংদুনা জেভলিন থ্রো ইভেন্টকী ওইনা মকোক মথং তাবগী পরিংদা লাক্কদৌরিবা ওগষ্ট ২০ গী দাইমণ্ড লীগ ফাইনেলসতা তরুকশুবা পোজিসন ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

নিরজ চোপ্রানা মহাক্কী অহানবা দাইমণ্ড লীগ কম্পিটিসন অদু কটারগী সিটি দোহাদা শরুক য়াখিবনি। মদুদা মহাক মরিশুবা পোজিসন তাখি। চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ৩০ দগী স্বিজরলেন্দগী সিটি জুরিকতা হৌগদৌরিবা দাইমণ্ড লীগ এথলেটিক্স ফাইনেলগী মরিশুবা থাক অদুদা ইন্দিয়াগী নিরজ চোপ্রানা জেভলিন থ্রো ইভেন্ট অদুদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা জোহেন্স ভেটর, ওলিম্পিক চেম্পিয়ন থোমাস রোলর, ২০১৭ আই এ এ এফ দাইমণ্ড লীগকী চেম্পিয়ন জাকুব ভাদলেস, জর্মনগী চেম্পিয়নগী এন্দ্রি হোকমান অমসুং ইষ্টোনিয়াগী রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবা মেগনস কর্টসু কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়ারি।

ওগষ্ট ৩০ দগী জুরিকতা পাঙথোক্কদৌরিবা দাইমণ্ড লীগ এথলেটিক্স ফাইনেলস অদুদা জেভলিন থ্রোগী ওইনা মখা তাবা শান্নরোয় অনী লন্দনগী বিরমিংহামদা পাঙথোক্কদৌরিবা অরোইবা ক্বালিফায়িং মীটতগী খনগৎলগা শরুক য়াহনগদৌরি।

জুরিকতা পাঙথোক্কদৌরিবা দাইমণ্ড লীগ ফাইনেলস অদুগী জেভলিন থ্রো ইভেন্টতা পূন্না এথলেট ৮ না লম্বা তৌগদৌরিবনি। মদুদা মমাঙগী পর্ফোমেন্সশিংদা ফজবা ঙমখিবা এথলেট ৬ হান্না খনগৎলবা মতুং অতোপ্পা অনী অমনা বিরমিংহামগী কম্পিটিসন অদুদা ক্বালিফাই ওইরবা মতুংদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

চহী ২০ দা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী এথলেট নিরজ চোপ্রানা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা নুপাগী জেভলিন থ্রোগী ইভেন্ট অদুদা মিটর ৮৬.৪৭ লংদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

চোপ্রানা মথং থাদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস অদুদা গোল্ড মেদল ফংনবগী পান্দমদা অকনবা ট্রেনিং চথরি।

## রসিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সৌরব ভর্মা অমসুং মিথুন মঞ্জুনাথ সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



ব্লাদিবোষ্টোক, জুলাই ২৭ (এজেন্সী)ঃ রসিয়াগী সিটি ব্লাদিবোষ্টোকতা পাঙথোক্লিবা য়ু এস দোলর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা রসিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সৌরব ভর্মা অমসুং মিথুন মঞ্জুনাথ সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা নিপানশুবা সিদেদ শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী সৌরব ভর্মানা মমাঙদা মশা শোকখিবা অদু নাথৈদুনা থল্লম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইজরেলগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিদা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা মিসা জিলবরমেন ২১-১৪, ২১-১৬ দা শুপ্পগী মিনিট ৩৬ তা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় মিথুন মঞ্জুনাথনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মলেসিয়াগী শান্নরোয় সাথৈথরন রমাচন্দ্রনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৮, ২১-১২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী মিথুন মঞ্জুনাথনা হয়েং শান্নগদৌরিবা সেমি ফাইনেল মেচ অদুদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সৌরব ভর্মা ওইরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী মিক্স দবলসকী অনীশুবা সিদেদ প্যের ওইরিবা রোহন কাপুর অমসুং কুহু গর্গনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা রসিয়াগী প্যের এন্দ্রি লোবিনোভ অমসুং লিবিয়া অবিবুলেভাবু ২১-১৩, ২১-৯ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মিক্স দবলসকী প্যের রোহন কাপুর অমসুং কুহু গর্গনা হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক সেমি ফাইনেলদা মলেসিয়াগী প্যের চেট তান জি অমসুং য়েন বৈ পেক্কা লম্বা তৌনগদৌরি।

পনবা য়াই, চেট তান জি অমসুং য়েন বৈ পিককী প্যেরনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিদা অহুমশুবা সিদেদ প্যের ওইখিবা ইন্দিয়াগী সৌরব ভর্মা অমসুং আনুশকা পালিখপু ২১-১৫, ২১-৮ দা শুপ্পগী পুংখায় অমগী লম্বাদা মায়থীবা পীদুনা লাকখিবনি।

## ইন্দিয়াগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা ২০না জুনিয়র এন বি এ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদৌরি




ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৭(এজেন্সী)ঃ য়ু এস এগী ফ্লোরিদাদা লৈবা ওর্লান্দো সিটিগী মনাক্তা লৈবা ৱল্ট দিস্নি ৱর্ল্ড রিজোর্টতা লৈবা ই এস পি এন ৱাইদ ৱর্ল্ড ওফ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ওগষ্ট ৭তগী ১২ ফাওবদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা জুনিয়র এন বি এ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা ২০না শরুক য়াগদৌরি।

ইন্দিয়াগী নুপামচা শান্নরোয়শিং অদু ন্যু দিল্লিদগী সেহাসবির সিংহ বেদি, ভাবিক গর্গ, জিবান্সু থাত্রি, নিখিল কুমার, দিনেস পাল, য়াটিস সখুজা, অভিসেক সিংহ, অর্প্রিট সিঙ্গলা, লাইভিস ভাটস অমসুং সচিন যাদবনি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপীমচাগী টিম অদুনা বেঙ্গালুরুদগীনি। শান্নরোয়শিং অদুদি ভেদা অনন্দ, স্রিয়া অশোক, নুহা অসিফ মাসুদ, স্রিয়া বোস, সুনিস্কা কার্টিক, দিয়া কোথারি, মেঘনা মঞ্জুনথা, মোমিতা মিস্রা, হমসা নাঞ্জুনদায়া অমসুং স্রিমিতি ভেমুলানি।

অহানবা জুনিয়র এন বি এ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা এন বি এ চেম্পিয়ন অহুল্লক ওইবা ঙমখ্রবা অমদি জুনিয়র এন বি এ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ গ্লোবেল এম্বেসেদর ওইরিবা দ্বেন ৱেদ, কুমজা ২০১৮গী এন বি এ ওল ষ্টার এন্দ্রি দ্রুমোন্দ, এন বি এ ওল ষ্টার নিপাল্লক ফংবা ঙমখ্রবা ভিন্স কার্টর, মিলৱোকি বক্সকী সেন্টর ব্রুক লোপেজ, ২০১৮গী নাইস্মিথ মেমোরিএল বাস্কেটবোল হোল ওফ ফেমদা ইন্দক তৌখিবা গ্রান্ট হিল অমসুং দব্লিউ এন বি এগী লেজেন তামিকা কেটচিংস, স্বিন কেস অমসুং জেনিফর অজিনা মালেমগী লৈবাক ৩৫দগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা ৩১৭না শরুক য়াগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টিম ৩২না শরুক য়াগদৌরি। টিম ১৬ অমনা য়ু এস এগী টিম ওইগদৌরি অদুগা টিম ১৬ অমনা ইন্টর্নেসনেল টিম ওইগদৌরি। ইন্টর্নেসনেল টিম ১৬ অদু নুপা অমসুং নুপীমচাগী টিম ৮/৮না শেমগদৌরি।

অফ্রিকা, মিডল ইষ্ট, এসিয়া পেসিফিক, কনাদা, চাইনা, য়ুরোপ, ইন্দিয়া, মেক্সিকো অমসুং সাউথ অফ্রিকানি। রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শান্নগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ু এস অমসুং ইন্টর্নেসনেলগী চেম্পিয়নশিং অদুনা ওগষ্ট ১২দা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ গেমসতা শরুক য়াগদৌরি।

## ইন্দিয়াগী নুপীগী আর্চরি কম্পাউণ্ড টিম মালেমগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মফমদা লৈখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৭ (এজেন্সী)ঃ মালেমগী নুপীগী আর্চরিগী কম্পাউণ্ড টিমদা ইন্দিয়াগী আর্চরশিং খ্বাইদগী মকোক থোংবা কাখল অদু ফংবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী কম্পাউণ্ড আর্চরি টিম অসিনা মথং থাগী ১৮ দগী হৌরগা সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস ২০১৮ গী মাঙওইননা আর্চরিগী ৱর্ল্ড ফেদরেসননা থাদোরকখিবা খ্বাইদগী নৌবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী নুপীগী কম্পাউণ্ড আর্চরি টিমনা ইন্দিয়াগী আর্চরিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নুপীগী কম্পাউণ্ড আর্চরি টিমনা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা টর্কিগী অন্টালিয়া সিটিগী ৱর্ল্ড কপকী ষ্টেজ অমদা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। মদুগী মতুং জর্মনিগী বর্লিনদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড কপ আর্চরিদা অমুক্কা হন্না সিলভর মেদল ফংদুনা দিসিপ্লিন অসিদা মখোয়না মালেমগী নুপীগী কম্পাউণ্ড আর্চরি টিমগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা মকোক্তা লৈবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী কম্পাউণ্ড আর্চরি টিম অসিনা মালেমগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা পূন্না পোইন্ট ৩৪২.৬ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবনি। মখোয়গী মথংদা চাইনিজ টাইপৈগী টিমনা পোইন্ট ৩৩৬ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী কম্পাউণ্ড টিম অসিনা ফজবা তাঙ্কক অমদা লৈবা ঙমখ্রবা মতুং নুপীগী রিকর্ভ আর্চরিগী লমদা দিপিকা কুমারিনা মমাঙদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বা অদুগী মতুং কম্পাউণ্ড টিম অদুনা খ্বাইদগী নৌনা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবনি।

আর্চরিগী ইন্দিভিজুয়েলগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী দিপিকা কুমারি অমসুং অবিশেক ভর্মা মালেমগী মকোক থোংবা আর্চর ১০ গী মনুংদা চনবা ঙল্লি। মখোয় অনীমক মথংশিংনা রিকর্ভ অমসুং কম্পাউণ্ড ইভেন্টতা ৭ শুবা থাক্তা লৈবা ঙল্লি।